**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 16-09-2024)**

**পুসিল (এল) ঃ** মনিপুরদা হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসিদা য়েৎখায় থিনগায়বা থোকহনবদা চেন্নবনি হায়বা মীওই অমা হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা অসামগী বসিস্তা পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা বেলতোলাদা ষ্টেট টাক্স ফোর্সনা চথখিবা অখন্নবা ওপরেসন অমদা য়ুনাইটেদ কুকি নেসনেল আর্মি (য়ু.কে.এন.এ) গী মীওই অমা ফারে হায়রি।

মনিপুর পুলিসকী চেরোল অমনা হায়-মশানা মশাবু য়ু.কে.এন.এগী সেল্ফ স্তাইল ফাইনান্স সেক্রেটরিনি হায়জবা চুরাচান্দপুরদগী মীওই অসি মনিপুর অমসুং অসামগী ঙমখৈ পরিংদা বোম পোকখায়হনবা য়াওনা নেসনেল হায়ৱে টুদা লৈবা সপরমৈনা থোং থুগায়বা অমদি তমেংলোংদা ইন্দিয়ান ওইল কম্পানি লিমিটেদকী কোনভোইদা এটেক তৌবদা চেন্নবা মীশকনি হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়-মনিপুর পুলিসকী য়ুনিফোর্ম শেৎতুনা ফেসবুক পোরফাইলদা জোসেপ চোংলোই হায়রিবা মীওই অসি মনিপুর পুলিসকী ভি.দি.এফনি। অদুমওইনমক, মহাক মতম শাংনা থবক কারক্তবা মরমনা ইং ২০২২ গী জন্ ৮ দা থবক্তগী দিসমিস তৌখ্রবনি।

অমরোমদা, ঙরাং মনিপুর পুলিসনা জিরিবামগী উচাথোল তমা চৎলম্বা কুকি জাতিগী মীওই অমা কনবগা লোয়ননা মহাক্কী ইমুং মনুংদা খুৎশিন্নখ্রে। অকনবা সেক্যুরিতিগা লোয়ননা নেসনেল হায়ৱে টুদা তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং পুবা গাড়ি ১২২ অকনবা সেক্যুরিতিগা লোয়ননা পুশিল্লকখ্রে।

**কার্ফিয়ু (এল)ঃ** মনিপুর তম্পাক্কী জিলা ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, থৌবাল অমসুং বিষ্ণুপুর জিলাদা ঙসি অয়ুক পুং ৫ দগী নুংথিল পুং অনি ফাওবা কার্ফিয়ু কোমথোক্লি।

জিলাশিং অসিগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিংনা তোঙান তোঙানবা থোকপা চেরোলশিংগী মতুং ইন্না কার্ফিয়ু লৈরিঙৈ মনুংদা ইসেন্সিএল সার্ভিসশিং, হেলথ, পি.ঐচ.ই.দি, ম্যুনিসিপালিতিগী ওফিসিএল অমসুং ষ্টাফশিং, পৱার (এম.এস.পি.সি.এল) অমসুং এম.এস.পি.দি.সি.এল, পেট্রোল পম্প, কোর্ট, ফ্লাইট পেসেঞ্জরশিং অমসুং মেদিয়াগী মীওইশিংদদি অথিংবা অসি লৈরোই।

**ইন্তরনেট (এল)ঃ** মণিপুর সরকারনা ইন্তরনেট সার্ভিস মখা তানা ঙরাংদগী হৌরগা নুমিৎ ৫ নি থিংজিনখ্রে।

রাজ্য সরকারগী কম্মিস্নার (হোম) এন. অশোকুমারনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা মীওই কয়ানা সোসিয়েল মিদিয়াদা অরানবা পাউশিং শন্দোক্তুনা মীওই কয়াগী পুন্সি অমদি লন থুম অমাং অতা থোকহল্লকপা য়াবগী চিংনবা লৈবনা ইন্তরনেট সার্ভিস তম্পাক্কী জিলা মরিদা মখা তানা থিংজিনবনি। অথিংবা অসি থা অসিগী ২০ গী নুংথিল পুং ৩ ফাওবা চৎনগনি।

**খোঙজং (এল) ঃ** দিল্লি মীতৈ কো-ওর্দিনেটিং কমিতি (দি.এম.সি.সি) না শিনদুনা ন্যু দিল্লিগী জন্তর মন্তরদা মীয়ামগী ৱাকৎ মীফম অমা চথখ্রে। খোঙজং অদু মনিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা নোংথক্তগী বোম থারকখিবা অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা চংশিনখিবনি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি গুজরাটকী অহমেদবাদ অমসুং গান্ধিনগর শমগদবা অহমেদবাদ মেট্রোগী অনিশুবা ফেজ ঙসি হৌদোক্লগনি।

প্রধান মন্ত্রি ঙরাং অথেংবদা অহমেদবাদতা থুংখ্রে। মহাকা প্রধান মন্ত্রি সুরিয়া ঘর য়োজনাগী খুদোংচাবা ফংলবা বিনিফিসরিশিংগা ৱারী শান্নগনি অমদি গান্ধিনগরদা লৈবা মহাত্মা মন্দিরদা পাঙথোকপা মরিশুবা রিন্যুএল ইনর্জি

কনফরেন্স হৌদোক্কনি। প্রধান মন্ত্রিনা অহমেদবাদকী জি.এম.দি.সি. গ্রাউন্দদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা লুপা কোতি লিশিং ৮ চংনা পায়খৎপা মীয়ামগী ওইবা প্রোজেক্টশিং খরনা শঙ্গাগনি খরগীনা যাত্রা হুনগনি।

অকাশবানি পাউমীনা হায়-শ্রী মোদিনা গান্ধিনগর সেক্তর ৱান মেত্রো ষ্টেসনদগী গিফট সিটি মেত্রো ষ্টেসন ফাওবা রেলগাড়ি তোংদুনা চৎকনি। এক্সটেন্সন অসিনা অহমেদবাদ অমসুং গান্ধিনগরগী মরক্তা মীয়াম অতেনবা মতমদা ইরাই লায়না চৎথোক চৎশিন তৌবা ঙমহল্লগনি।

**মীলাদঃ** লৈবাক শিনবা থুংবদা ঙসি মীলাদ উন-নবী পাঙথোক্লি। প্রোফেদ মুহমদকী মপোক নুমিৎ অসিবু মুস্লিম জাতিশিংনা মীলাদ উন-নবী হায়না পাঙথোক্লি।

নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা মীয়ামদা মরুওইনা মুস্লিম জাতিশিংদা মীলাদ উন নবীগী য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। পাউজে অমদা রাস্ত্রপতিনা হায়-প্রোফেদ মুহমদনা মীয়ামদা নুংশি চান্নবা, মচিন-মনাও ওইবা অমদি সমাজ অসিদা ইংনা চিকা লৈনবগী ৱাখল্লোন শন্দোক্লম্মী। মহাকা মীওই জাতিবু সেভা তৌনবা পুকিং থৌগৎলম্মী।

রাস্ত্রপতিনা হায়-ইং তপ্পা, শান্তি লৈবা সমাজ অমা শেমগৎনবগীদমক হোলি কুরানদা তাক্লিবা ৱাখল্লোনশিং মীয়ামনা ইন্দুনা চৎকদবনি।

মসজিদ অমসুং মদ্রাসাশিংদা মপু মহাক্কী মফমদা থৌনিজবা অমসুং লাইশোল থৌরম পাঙথোকপনা নুমিৎ অসিগী মপুং ওইবা শক্তম ওইরি।

**বিশ্ব করমা** বিশ্বা করমা ইরাৎ থৌনি থৌরম ঙসি পাঙথোকরি। নুমিৎ অসিদা মীয়ামা শিজিন্নরিবা খুৎশু খুৎলায়শিং পুজা তৌবনা মপুং ওইবা শক্তম ওইরি।

**স্তার্টঅপঃ** ভারতকী স্তার্টঅপ ইকো সিষ্টেম হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা পান্দমদা

দিপার্টমেন্ট ফোর প্রমোসন ওফ ইন্দষ্ট্রি এন্দ ইন্টরনেল ত্রেদ (দি.পি.আই.আই.টি) না ভাস্কর হায়না মিংথোনবা দিজিটেল প্লেটফোর্ম অমা হৌদোক্লগনি।

ভারত স্তার্টঅপ নোলেজ এসেস রেজিষ্ট্রি শমা ভাস্কর হায়বা থৌরাং অসিনা ওন্টরপ্রেন্যুরগী ইকো সিষ্টেম মনুংদা মরুওইবা ষ্টেকহোল্ডরশিংগী মরক্তা নিয়ম চুমা অমদি মতেং পাংননবগী থৌশিলনি। থৌরাং অসিনা সরকারগী মঙলান অমা ওইরিবা ভারতপু অওনবা ভারত অমা ওইবগা লোয়ননা ইনোভেসন অমসুং ওন টরপ্রেন্যুরসিপকী লমদা মালেমগী লুচিংবা ওইনবা হোৎনরিবা অসিগী য়েংলগা পায়খৎপনি। কর্ম্মস অমসুং ইন্দষ্ট্রি মন্ত্রালয়না হায়-ভাস্করনা স্তার্টঅপ, শেল থাদরিবা মীওইশিং অমদি ষ্টেকহোল্ডরশিংগী মরক্তা লৈনরিবা অহোবা অদু মেনশিন্নবনি।

**মীখলঃ** চহি তরাগী মতুংদা অহানবা ওইনা জম্মু কাশ্মিরদা মীখল পাঙথোকবা শেম শাবা লোয়রে।

য়ুনিয়ন টেরিটোরি অসিদা মীখল তাঙ্কক অহুম থোকা পাঙথোক্কনি। অহানবা তাঙ্কক লাক্লিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা বিধান সভা কেন্দ্র ৮ দা ভোট থাদনগনি। তাঙ্কক অসিগীদমক রাজনিতিগী লুচিংবশিংনা ভোটরশিংগী পুকিং চিংশিন্নবা ঙমজবী থাদুনা ভোট খোল্লি। জম্মু দিভিজনগী চেনাপ ভেল্লিগী জিলা অহুমগী বিধান সভা কেন্দ্র ৮ দা ভোট থাদনগদৌরিবা অসিগী মনুংদা রামবান বিধান সভা কেন্দ্র অসি য়ামা মরুওইবা কেন্দ্র অমা ওইরি। কেন্দ্র অসিগীদমক মীরেপ ৮ না লম্বা তৌনরি। মরক অসিদা জম্মু কাশ্মিরদা সরকারনা মসিগী কর্ম্মচারিশিংগীদমক মীখলগা মরী লৈননা নুমিৎ হুমনিগী অখন্নবা কেজ়েল লিফ পীখ্রে। হীরম অসিগী মতাংদা উপ রাজ্যপাল-মনোজ সিনহানা চেরোল অমা থোকখ্রে। কাশ্মির তম্পাক্তা পোষ্টিং তারিবা কাশ্মিরি মাইগ্রেন্ট কর্ম্মচারিশিংসু অখন্নবা পোল্লিং ষ্টেসনশিংদা ভোট থাদবা য়ানবা ছুতি পীখ্রবনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

ককৱাগী ৱাথোক্কা মরী লৈননা জে.এ.সিনা সি.এমগা উন্নখিবা অমসুং খোঙজংলোইশিংনা টিয়ার গ্যাস অমসুং নোংমৈ শিজিন্নদুনা পুলিসতা এটেক তৌরকখিবগী পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচে অয়াম্বগী মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংনরি।

হুইয়েন লানপাউদা-ককৱাগী ৱাথোক্কা মরী লৈননা কৌখিবা জেনরেল ষ্ট্রাইকনা মহৌশাগী ফিভম কায়হনখ্রে, জে.এ.সিগা সি.এমগা ৱারী শান্নবদগী খোঙজং তেনশিনখ্রে, য়ুম্লক্তা টিয়ার গ্যাস কাপশিল্লরোই, চেন্নবা পুলিস এক্সন লৌগনি হায়রখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিমক-ঈচেল এক্সপ্রেস, পোকফম, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনদা তোঙান তোঙানবা মওংদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

প্রোটেষ্টরশিংনা এজিটেসন চঙশিনবা মতমদা ওটোমেটিক ৱেপন শীজিন্নবগী ইভিদেন্স লৈরে হায়না দি.আই.জি. (রেঞ্জ ৱান)-এন. হেরোজিৎনা ফোংদোকখিবা ৱাফম নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পোকফমদা-জিরিবামগী মোংবুং কুকি খুলদগী বোম, নোংমৈ অমসুং মরু কয়া ফাগৎখিবগী পাউ অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা-খোঙজংলোইশিংনা শিবা য়াবা খুৎলায়শিং শিজিন্নদুনা পুলিসতা এটেক তৌরক্লবদি মতিক চাবা এন্টি রাইৎট এক্সন লৌখৎকনি হায়না পুলিকী মায়কৈদগী ফোংদোকখিবা ৱাফম অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

দ্রোন অমসুং রোকেট শিজিন্নদুনা এটেক চত্থরকপবু য়ানিংদবা ফোংদোক্কুনা ন্যু দিল্লিদা ৱাকৎ মীফম ফমখিবগী পাউ মনিপুর মেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সনা লৈবাক্তা-মনিপুরগী ইরাংদা ফোরেনগী খুৎ য়াওই হায়বগী খুদম

ফংলে। কুকিশিংদা খুৎলায় থিনদোক থিনজিন তৌবা কে.এন.এ (বি) গী কাদর অমা ফারে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিমক সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনগীসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

দিল্লিগী চীফ মিনিস্তর-অরবিন্দ কেজ্রিৱাল নুমিৎ নিনিগী মতুংদা ফম থাদোক্লগনি অমসুং বি.জে.পিনা লুচিংবা এন.দি.এ. সরকার অসিনা চৎলিবা চহি অসিদা ৱান নেসন ৱান ইলেক্সন চৎনহনগনি হায়না ফোংদোকখিবা পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা-ত্রান্সপোর্ট মিনিস্তর-খাশিম বাশুমগী য়ুমদা বোমগী এটেক চথরকখিবা অদুবু নাগা পিপলস ফ্রন্ট মনিপুর ষ্টেট য়ুনিটনা য়ানিংদবা ফোংদোরকখিবগী পাউ চে অসিগী এঙ্কর কলমদা ফোংলি। পাউ অসি গানফিয়ু মেলদসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুর ন্যুজতা-কুকি মিলিটেন্টশিংনা দ্রোন অমসুং মীসাইল এটেক চথবা ঙমদনবা সেক্যুরিতি জোনদগী চিংদা কিলোমিটর মঙা চংশিল্লগা সেন্ত্রেল ফোর্সশিং ওপরেট তৌবা হৌরে হায়বা পাউ অহানবা লামাইদা ফোংলি।

সেনাপতি জিলাদা প্লাষ্টিক বেগ অমসুং লিটর অমগী প্লাষ্টিক বোটল শিজিন্নবদা অথিংবা থমলে হায়না হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

অধার কার্ড অপদেদ তৌবগী মতম দিসেম্বর ১৪ ফাওবা শাংদোকখ্রে হায়বা পাউ তমেংলোং টাইমসকী অহানবা লামাইদা ফোংলি।